

বহুজনা সাহিত্য একাদেমী (নেসনল কম্মিটি ওফ ইন্দিয়া) মণিপুর ষ্টেটনা বেষ্ট এক্সিলেন্স নেসনল এৱার্দ ফংলকপ্পী গুনবতি অধিকারিময়ুমবু মমেন্টো অমদি সার্টিফিকেট পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবা



সাহিত্য একাদেমী অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ মেঘালয়া অনীনা খুৎশম্নদুনা মল্টি লেংগ্বেল রাইটর্স মীট অমসুং শ্রী বিরেনগী পুন্সি অমসুং থবক্তা লিটরেরি ফোরম হায়না মিংথোনবা থৌরম অমা শিল্লোংগী নেহুদা পাঙথোকখিবা



দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন কামজোংনা শীন্দুনা কসোম খুল্লেনগী সদভৱনা মান্দপতা পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট হিল লিদর্স অমদি মীয়ামগী নুমীৎ থৌরম অমদা দি সী রংনামৈ রং পিটরনা ফিশাবীশিংদা ৱিভর কার্দ য়েন্থোকখিবা



৫শুবা মীয়ামগী নুমীৎ ককচিংগী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা দিপার্টমেন্ট ২৯ লোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদা শরুক য়াখিবা মীচম মীয়ামদা ওফিসলশিংনা বার্থ সার্টিফিকেট অমদি দেথ সার্টিফিকেটনচিংবা ইস্যু তৌখিবা

## মীয়ামগী নুমীৎ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শীন্দুনা মঙাশুবা মীয়ামগী নুমীৎ থৌরম দি সী ওফিস কমপ্লেক্স ককচিংদা তোঙান তোঙানবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট ২৯না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিস ককচিংগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীয়ামগী নুমীৎ থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা ফুদ সেফটি সুপরভাইজর সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি। লোয়ননা দি এস ও (কেফ এন্দ পি দি)গীদমক ভেরিফিকেসন তৌখি। লোয়ননা বার্থ সার্টিফিকেট অমদি দেথ সার্টিফিকেটসু ইস্যু তৌখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না মীওই ৩০না ওল্ড এজ পেন্সন অমদি মীওই ১০না ৱিদো পেন্সন স্কিমগী খুদোংচাবা ফংহনবীয়ু হায়না এপ্লিকেসন থারকখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ২৯ লোম্না মীয়ামগী থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহন্নবা হোৎনখি হায়রি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : শওম্বুং টু সগোলমাং রোদ ভাইয়া কৈবীগী এদহোক কম্মিটিগী থৌমীশিংনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনিয়র কে ঐচ তেম্বাগা পুন্না ৱার্ক্স মিনিষ্টরগী বাবুপারাদা লৈবা ক্বার্টরদা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানবদা শওম্বুং টু সগোলমাংগী লম্বী অসিগী ফীভম য়াম্না ফৎত্রে হায়বা খঙলে। মরম অদুনা লম্বী অসি অথুবা মতমদা শেম্বা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকপীরকপগা লোয়ননা লম্বী শেম্বা হৌবীরকপগীদমক মখোয় অনীবু ঈকায়খুম্নবা উৎচরি হায়না এদহোক কম্মিটি শওম্বুং টু সগোলমাং রোদ বাইয়া কম্মিটিগীক কনভিনর এন লানঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## হিল লিদর্স দে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : কামজোং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না শীন্দুনা কসোক খুল্লেনগী সদভৱনা মান্দপতা দিষ্ট্রিক্ট হিল লিদর্স দে অমদি মীয়ামগী নুমীৎ থৌরম দি সী কামজোং রংনামৈ রং পিটর; এস পি, পি মঞ্জিৎ অমদি মরুওইবা ওফিসলশিং য়াওনা পাঙথোকখ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিস কামজোংগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হিল লিদর্স দে অমদি মীয়ামগী নুমীৎ থৌরম অদুদা সী এম ও, আই সী দি এস, দি এস দব্লিয়ু ও, এম এস পি দি সী এল, দি এ ও, দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল, দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিস, কেফ এন্দ পি দি, এস দি পি ও অমদি তোঙন তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগীসু ষ্টোলশিং হাংদুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা খুদোংচাদবশিং খঙদোকপগা লোয়ননা ফিশাবী-শিংদা ৱিভর কার্দ য়েন্থোকখি হায়রি।

# ‘ঐ-ঐগী ফুরুপ খক্তগী য়েংনরগা অঙম তান্নরিঙৈদা ঐখোয় মশেল মরক্তা ৱাখল ফাওনদবনা থরুমগী লান তৌরিঙৈদা মীতোপনা খুদোংচাবা লৌই’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): মানা সি তৌরে, মানা অসি তৌরক্নে, অদুদি ঐসু তৌহৌরনি হায়না ঐ-ঐগী ফুরুপ খক্তগী য়েংনরগা অঙম তানবগী ফীভম অসিনা অসুম হেঞ্জিল্লক্তুনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ৱাখল ফাওনহৌদবনা থরুম লান তৌরিঙৈদা মীতোপনা খুদোংচাবা হেক হেক লৌই। লমদম অসিগা শক মান্নবা কাঙলুপশিংনা কোয়না খুন্দাদুনা লৈরিবশিংনা হেক হেক তপ্পা তপ্পা খুদোংচাবা লৌশিল্লকপনা ঙসিদি লমদম অসি থুগায়বা য়াবা মওং অমদা চঙশিল্লকপগুম তৌরক্লি হায়না য়ুনাইটেদ ওল কম্যুনিটিজ সোসল অপলিফ্টর্স (য়ুনাস্কু) কংলৈপাক্কী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লমদম অসিগী লৈহাওদা পোক্লগা লমদম অসিগী চেঙ চাদুনা লৈরগা লমদম অসি থুগায়দুনা অনৌবা মেপ অমা য়েক্লনি খল্লিবসিনা, ঐনা করি তৌখ্রে অমদি করি তৌরি হায়বা উদনা কনাগুম্বা মীতোপ নৎত্রগা লৈবাকসিবু থুগায়নবা শীনবা মীওই খরগা তুং ইনবা মানবা অসিমক্তি তৌফদে। ফুরুপ কয়ানা খুন্দাদুনা লৈমিন্নরিবা কংলৈপাক মণিপুর অসিদা ফুরুপ খূদিংনা মানা মানা পান্বা লম্বী খূদিংদা লোইনা ইন্দুনা চৎকদবনি হায়বা ৱাফম কয়া অমা ফোঙদোক্লরবসু হায়রিবা দিমান্দশিং অদুনা হিংমিন্নরিবা ফুরুপশিং অসিগী পুন্সিরোলদা ঙসি অমদি তুংগী পোরম য়েংদুনা য়াবা অমদি য়ানবা পুন্না খন্নমিন্নবা, খঙমিন্নবা পুরক্লবা হোৎনবদা পুন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী শাবা মথৌ তাই। লোয়ননা অপুনবা হায়বা ৱাহে অসিগী মায়োক্তা লৈরক্কদবা দিমান্দশিংদি থাদোক্কদবনি হায়রি।

য়ুল্লোন্নদুনা লৈরিবা ষ্টেট নৎত্রগা লৈবাকশিংগী কাঙলুপশিংনা লোবি তৌদুনা ঐখোয়বু মচেৎ তানা থুগায়দুনা অনৌবা মেপ য়েক্লবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়াম্না য়াম্না কুপ্পা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈবা অমদি মদুগী মায়োক্তা পুন্না লেপমিন্নবা চঙলি। মদুগী পোরম খূদিংমক থিংহৌগদবনি। অদুনা অসিগুম্লবা মীকুপসিদা তাল্লিবা ৱাফমশিং অসি মশানা খঙজদনা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী খুৎ য়াওরে হায়বসি ফোঙনা খঙলবনি হায়বদা লাল্লোই। করিগীদমক্তা মীতোপকী ৱা ইন্দুনা টেরিটোরি অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনদা অকায়বা পীবগী থৌওং অমদা অনৌবা মেপ অমা য়েক্লবা হোৎনরিবনো হায়বসি মুন্না খঙবীয়ু। ইন্দিয়াগী অনৌবা পোলিসী মানবা মওংদা য়ুল্লোন্নরিবা নাগালেন্দদা পিছকী মিংদা ইষ্টর্ন নাগালেন্দ কৌবা অমা শেম্নবা হোৎনবগী মওং মানবা মতৌ অসি উরুরগা ঐখোয়সু ফংগনি খনবগুম হৌখিবা কাঙলুপকী ঈরাং অমদি অরানবা ৱারী-শিংবুল শাগৎতুনা হিংমিন্নরিবা মচিন-মনাওশিংদা ব্লেম গেম তৌদুনা তাল্লকপা দিমান্দ অসিমক্তি লমদম অসিবু হৌখিবা চহী কয়াদগী কন্দুনা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা শিংনবা ঙক্লোই হায়বসি ফোংনা হায়রি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনসু তৌরিবা দিমান্দ অসিগী চপ চাবা ইনপ্যুট লৌবা চঙলি। হৌজিক লমদম অসিগী হিংমিন্নরিবা খুন্নাইসিদা খ্বাইদগী প্রোব্লেম ওইহল্লিবা অমদি অকায়বা পীরিবসি কুপ্পা য়েংবা মথৌ তাই। মদু নত্তনা মীয়ামগী অপাম্বগী ৱাংমদা থবক তৌরক্তনবসু থল্লি। মতাংদা অসিদা খ্বাইদগী মথৌ ওইরিবসি লমদম অসিগী লৈঙাক য়াওবীরিবশিংনি। তাঙ্গা অসিদা খ্বাইদগী চাউবা থৌদাং লৌদুনা লো লৈবা ষ্টেট অমনি হায়বদু উৎতুনা তুং কোয়না অমুক হন্না লৈবাক অসিদা মাঙ তাকপা য়াবা থবক তৌবা য়ারোই হায়বদু পারা অমা তম্বীবা মথৌ তাই। নৎত্রবদি য়ান-য়ানবা মতম চৎখ্রগদি মদুনা তুংগী মীরোলদা ৱাহৌগনি। পীকখ্রবা লমদম অসিদা অমুক থুগায়নবা শীনবা থৌরম থৌশিল অমত্তা পুখৎলকপা য়ারোই হায়বদু উৎপীয়ু।

অমরোমদা, ষ্টেটকী থবক্তা সাপোগুম্লবা লূপ অমনা অথিংবা পীবদা নত্তনা ইরমদম অসিগী ফুরুপ অমদা অকি-অখঙ পীরকপা অসিমক খ্বাইদগী চাউবা মওং অমদা কন্দেম তৌদুনা নাগালেন্দ ষ্টেটতা প্রেসর পীদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীহনগদবনি। নৎত্রবদি লমদম অসিগী ইফুরুপ কয়া হন্না হন্না অকিবা পীরকপদা লেমহৌরিবশিং তুমীন্না য়েংদুনা লৈবা ঙল্লক্লোই। মদুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোরক্কনি হায়বা ৱাফম থম্বীগদবনি। পুম্নমকশিং অসি উরু-তারুরগা লৈবাক মীয়াম্না ৱাখল মুন্না খম্বীদুনা মরুপনা কনানো, য়েক্লবনা কনানো, ইচিল-ইনাওনা কনানো অমসুং মীতোপনা কনানো খঙমিন্নদুনা মতুং তারকপদা থবক পাঙমিন্নরসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# নেসনল এৱার্দ ফংলকখ্রবা রামেশ্বর তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : কলচরেল সর্ভিসশিং, সোসল অমদি লিটরেরিগী হীরমদা পুরক্তুনা খুন্নাই অমবু অফবা অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্লবা হোৎনবদা থৌদাং লৌদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবগীদমক ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমীনা শকখঙদুনা পীবা ডা. অম্বেদকর দিষ্টিংগুইস সর্ভিস নেসনল এৱার্দ ২০২২ মোইরাংকম্পু গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধান লৌরেম্বম রামেশ্বরনা ফংলকপগীদমক মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি মোইরাংকম্পু য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে।

দেল্লীদা থা অসিগী ১১ অমদি ১২দা পাঙথোকখিবা ৩৮শুবা দলিট রাইটরশিংগী নেসনল কনফরেন্সতা এৱার্দ অসি পীরকপগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা লৌরেম্বম রামেশ্বরনা মখা তানা হায়খি, মহাক্না এৱার্দ অসি ফংলকপা মতমদা পঞ্চায়ট অসিগী মীয়াম, মেম্বরশিংগী অচৌবা থৌদাং লৈ। মীয়াম্না মহাকপু প্রধান অমা ওইনা থাগৎপীরকখিবা অদুনা অসিগুম্লবা ডা. অম্বেদকর দিষ্টিংগুইস সর্ভিস নেসনল এৱার্দ ফংলকখিবনি হায়খি।

# লিটরেরি ফোরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : সাহিত্য একাদেমী অমসুং মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ অনীনা খুৎশম্নদুনা মল্টি লেংগ্বেল রাইটর্স মীট অমসুং বিরেনগী পুন্সি অমসুং থবক্তা লিটরেরি ফোরম হায়বা থৌরম অমা ঙসি মেঘালয়াগী শিল্লোংদা লৈবা নোর্থ ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি (নেহু) গী কিয়াং নোবাহ ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘালয়াগী সেক্রেটরি কমলজিৎ চিরোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মেঘালয়াগী মমিং লৈরবা অইবী প্রোফেসর ষ্ট্রিমলেৎ দখারনা অথোইবা মীথুং, মণিপুরী এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমীগী কনভিনর এন কিরনকুমার অমসুং সাহিত্য একাদেমী কোলকাটাগী রিজনল সেক্রেটরি দেবেন্দ্রকুমার দেবেস অনীনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ মেঘালয়াগী প্রসিদেন্ট মুনিশ নিংথৌজমনা থৌরম মপু ওইখিবা থৌরম অদুদা প্রোফেসর ষ্ট্রিমলেৎ দখারনা কিনোট এদ্রেস পীখি। থৌরম অদুদা অইবা ৭না তোঙান তোঙানবা লোলশিংদা শৈরেং পাথোকখি হায়রি।

# রামলাল পোল হায়র সেকেন্দরি অমদি কৈশামথোং হায় স্কুলদা ওজা ৱাৎলি : ফেশোক

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): রামলাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অমদি কৈশামথোং হায় স্কুল অনী অসিদা ওজাগী অৱাৎপা লৈবনা মহৈরোয়শিংদা লাইরিক তাকপা মতমদা খুদোংথিবা মায়োক্লবা ওইরে হায়না ফেদরেল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফেশোক)কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি সনসম প্রিতিগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

স্কুল অনীসিদা ওজা ৱাৎপদগী মহৈরোয়শিংনা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে হায়না খঙলকখিবা অসি ফেশোক্না পরিং নাইনা চৎথরকপা স্কুল সর্ভেগী মনুং চন্না লূপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্টনা লুচিংবা টিম অমনা চৎখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অমদা খঙলকখিবনি। রামলাল পোল হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিগী ওইনা মণিপুরী অমদি হিষ্ট্রিগী ওজা ৱাৎপা অসিনা এগজামিনেসন থাগদৌরিবা মহৈরোয়শিংদা অৱাবা অমদি অদুম্মক মায়োক্লহৌরি। মসিদা নত্তনা স্কুল অসিদা কেমিষ্ট্রি অমদি হোম সাইন্সকী লেবোরেটরি এটেন্দেন্স লৈতবা অমদি লেবোরেটরি রুম মতিক চানা লৈতবনা প্রক্টিকেল তৌবা মতমদা মহৈরোয়শিংদা প্রক্টিকেল তৌবগী কান্নবশিং অদু মতিক চানা পীবা ঙমদবদগী মমি চাউনা তাহৌরে।

স্কুল অসিদা গেট কিপ্পর (চৌকিদার)গী ফম অসি হাংদুনা লৈবা মরম্না স্কুল অসিগী থবক থৌগায় কয়াদা অৱাৎপা অদুম্মক লৈ হায়রি। স্কুল অসিগী ভাইস প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা রেগ্যুলর ভাইস প্রিন্সিপাল অমা হাপ্পীনবা অমদি স্কুল অসিগী ৱাৎতুনা লৈরিবা ওজা, নন-টিচিং ষ্টাফশিং অসি অথুবা মতমদা মেনশিনবীনবা ফেশোক্না মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা আপীল তৌজরি।

লোয়ননা কৈশামথোং হায় স্কুলগী ওইনদি স্কুল অসিদা ওজাগী অৱাৎপা, ফর্নিচর মতিক চানা লৈহৌদবা, সাইন্স লেবোরেটরি রুম পীকপনা মরম ওইরগা প্রক্টিকেল তৌবা মতমদা মহৈরোয়শিংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইনবগী ফীভমদা লৈহৌবা থেংনরকখি। মসিগী মথক্তা মহৈরোয়শিংদা গভর্ণমেন্টনা পীরিবা স্কুল য়ুনিফোর্মশিং অসি স্কুল অসিগা মচু মান্নদবা অমদি নীংথিনা মেজরমেন্ট তৌদবা মরম্না গভর্ণমেন্টনা পীরিবা য়ুনিফোর্মশিং অসি শীজিন্নফম খঙদনা কাংখ-থাংতাদুনা লৈহৌবসু থেংনরকখি। ওজাগী অৱাৎপা লৈনা লৈনা ইংলিসকী ওজা তরেৎ অমদি বাইওলোজিগী ওজা তরুক হায়রিবা ওজাশিং অসিগী লৈফম থোকপা ওজা মশীংদগী হেন্না লৈবা মরম্না স্কুল অসিদা লেমদুনা লৈহৌবা ওজাশিংসু থেংনরকখি। মেথমেটিক্স, ফিজিক্স, সোসল সাইন্সশিং অসিগী ওজাশিংনা ৱাৎতুনা লৈরমখি। ৱাৎলিবা ফীভমশিং অসি অথুবদা য়েংশিনবীয়ু হায়রি।

# হৈঙাং চীংদা উপালশিং থাখ্রে, কম্পিটিসনশিং পাঙথোক্লগনি : কনভিনর

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : চাইল্ড ইনভাইরনমেন্টেল এক্টিভিষ্ট অম্বিকা লাইশ্রমনা লুচিংদুনা ইবুধৌ মার্জিং হৈঙাংগী মশাইকোলদা উপালশিং থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা শিংজু ফেষ্টিভেলগী মনুংদা পাঙথোক্কদবা তোঙান তোঙানবা কম্পিটিসনশিংগী মতম ফেষ্টিভেল কম্মিটিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর ওজিৎ সোরোখাইবমনা লাউথোকখ্রে হায়না শিংজু ফেষ্টিভেল ২০২২গী কনভিনর রাকেশ নাওরেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সাপম নর্সরি লিলোং চজিংনা উপালশিং স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকখিবা উপাল থাবগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা অম্বিকা লাইশ্রমনা ফোঙদোকখিবদা, শিংজু ফেষ্টিভেল ২০২২গী মাঙওইননা ঙসি ঐখোয়না হৈঙাং চীংদা উপালশিং থাবগী থৌরম পাঙথোকচরিবা অসিগী মরমদি অকোয়বগী ফীভম অমদি অঙৈং-অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিদা খরদং ওইরবসু কনবা ঙম্নবা অমদি ঐখোয় পুন্না কন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা পাঙথোকপনি। লৈবাক মীয়াম্নসু লাক্লিবা দিসেম্বর ২৮দগী মথং চহীগী জন্যুৱারী ৮ ফাওবা মার্জিং পোলো কমপ্লেক্স হৈঙাংদা পাঙথোক্কদৌরিবা শিংজু ফেষ্টিভেল ২০২২দা শরুক য়াবা লাকপীদুনা ফেষ্টিভেল অসি মপুং ফাহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না আপীল তৌখি।

ফেষ্টিভেল অসিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর ওজিৎ সোরোখাইবমনা শিংজু ফেষ্টিভেল ২০২২গী মনুংদা পাঙথোক্কদবা কম্পিটিসনশিংগী সেদ্যুল লাউথোক্তুনা হায়খি, দিসেম্বর ৩০দা মণিপুরী ট্রেদিসনল কষ্টুমদা য়ুম্ফম ওইবা সোলো দান্স কম্পিটিসন (চহী ১২গী মনুংদা লৈবা), জন্যুৱারী ২দনা চিলদ্রেন্স পেন্টিং কম্পিটিসন (চহী ১২গী মনুংদা লৈবা), জন্যুৱারী ৩দনা শিংজু মণিপুরী খুন্নাইগা লৈনবা মরী হায়বা হীরমদা এসে রাইটিং কম্পিটিসন (চহী ২২গী মনুংদা লৈবা), জন্যুৱারী ৬তনা নন-প্রোফেসনল সিঙ্গরশিংতগী ওইবা ওপন সোং কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি হায়রি।

# লুংপুইগা রেমৈ লৈখিদবগী অৱাবা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : কৈশামথোং কবুই খুলগী খুল্লাকপা ওইরম্বা লুংপুইগা রেমৈ হৌখিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ১৬, ইরাই নুমীৎকী অয়ুক পুং ৪.১০ তাবা মতমদা লৈখিদবদা কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা ঙসি অয়ুক পুং ৮ তাবা মতমদা কবুই ধর্ম্ম সভাগী প্রসিদেন্ট দি এল কবুইনা থৌরম মপু ওইদুনা মহাবলি কবুই খুলদা লৈবা ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী জোইন্ট সেক্রেটরি কখনলুংলু কবুইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা দি এল কবুইনা হায়খি, লৈখিদ্রবা কৈশামথোং কবুই খুলগী খুল্লাকপা ওইরম্বা লুংপুইগা রেমৈ মশাগী চহী ৯২ শুখ্রে। লৈখিদ্রবা লুংপুইগা রেমৈ কবুই ধর্ম্ম অমসুং কবুই সংস্কৃতি মাঙহন্দনা থম্নবা অচৌবা থৌদাং য়াম্না কন্না হোৎনবীরম্বা মীশক অমনি। কবুই ফুরুপকী মীং মাঙদনবা অকনবা মওংদা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা এৱ্যেয়র্নেসনচিংবা প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবীরমখি। কবুই ফুরুপ অসিগীদমক খঞ্জরিবা অসিগুম্বা মীওই অমা লৈখিদবা হায়বসি কবুই ফুরুপকী ওইনা মেনখৎপা ৱারগদবা য়াম্না চাউবা মাঙজবা অমনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

# ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরনা ঘনপ্রিয়া ৱিমেন্স কোলেজগী এন্যুএল কোলেজ ৱীক ২০২২-২৩ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): মহৈরোয়শিংগী তোঙান তোঙানবা টেলেন্টশিং উৎথোকচনবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদবা জি পি ৱিমেন্স কোলেজ ইম্ফালগী এন্যুএল কোলেজ ৱীক ২০২২-২৩গী থৌরম ঙসিদগী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসর এন রাজমুহোননা হৌদোকখ্রে।

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন জি পি ৱিমেন্স কোলেজনা শীন্দুনা মহৈরোয়শিংগী হাউস তরুক খায়দোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংদা চাংদম্নবা অমদি মিস জি পি খনবা য়াওনা নুমীৎ মঙানি চুপ্পা চখ্থগদবা কোলেজ ৱীক হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ২০২২-২৩ জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরিবা ডা. মাইস্নাম বিদ্যাসাগরনা অখন্নবা মীথুং, কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল লোয়ননা দি এম য়ুগী স্কুল ওফ সোসল সাইন্সেসকী দিন প্রোফেসর রাজকুমারী তম্ফাস্নানা থৌরম মপু লোয়ননা কোলেজ অসিগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি।

জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী এন্যুএল কোলেজ ৱীক হৌদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি এম য়ুগী ভি সী প্রোফেজর এন রাজমুহোননা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা কোলেজ ৱীক ইভেন্টশিংদা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিটিগী মহৈরোয়শিংগী মরক্তা অমগা অমগা শকখঙ-মায়খঙনবা, নুংশি-চান্নবা পুরকপগা লোয়ননা মরুপ-মপাং ওইবগী অচেৎপা মরী শাগৎপা ঙমগনি হায়খি।

এক্সত্রা করিকুল্লর এক্টিভিটিশিং পাঙথোকপনা মহৈরোয়শিংবু হীরম খূদিংমক্তা মপুং ফাবা মী অমমম ওইনবা হোৎনবদা মতেং পাংবদা নত্তনা তুংগী পুন্সিদা থৌদাং চাউনা লৌরকপদা মতেং পাংগনি। মহৈরোয়শিংদা শান্ন-খোৎনবনা লমচৎ-শাজৎ ফজহনবা অমদি হকচাং ফনা থম্বগা লোয়ননা ঙাকপী অমসুং কথোকপগী মগুন চেলহনবা ঙমগনি হায়খি।

ঙসি অহানবগী ওইনা এন্যুএল ফ্রেসস সোসল মীট পাঙথোকখি। হয়েং দিসেম্বর ১৮দনা টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফ স্পোর্টস মীট অদুগা দিসেম্বর ১৯দনা লিটরেরি মীটনচিংবা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# এন্যুএল দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : মৈত্রমদা লৈবা য়ুনাক্কো স্কুলগী এসেম্লী গ্রাউন্দদা রিদম হায়বা থীমদা প্রি-নর্সরিদগী ক্লাস টু ফাওবগী ওইবা এন্যুএল দে থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না য়ুনাক্কো স্কুলগী মার্কেটিং হেদ দেবদত্ত কৈশামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

এন্যুএল দেগী থৌরম অদুদা ঐচ এন্দ এফ দব্লিয়ুগী এদিসনল সিনিয়র রিজনল দিরেক্টর এম ইনাওবনা চীফ গেষ্ট, য়ুনাক্কো স্কুল মৈত্রমগী দিরেক্টর অরুপ মুখোপধ্যায়না গেষ্ট ওফ ওনর, য়ুনাক্কো স্কুল মৈত্রমগী প্রিন্সিপাল, ভাইস প্রিন্সিপাল, হেদ মিষ্ট্রেস অমদি য়ুনিট হেদশিংসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী পেরেন্টশিংসু শরুক য়াখি।

এন্যুএল দেগী থৌরম অদুদা পীক্লিবা মহৈরোয়শিং অদুনা শৈহৌ ঈশৈ শকখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রামশিংসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম ইনাওবনা ফোঙদোকখিবদা, পীক্লিঙৈ মতমদগী অঙাংশিংবু শুপ্নগী লাইরিকখক্তা তাকপী তম্বীবগী মহুৎতা তোঙান তোঙানবা করিকুলম এক্টিভিটিজশিং পাঙথোকহল্লিবসি থাগৎনিংঙাইনি হায়খি হায়রি।

# ‘কৌৱুগী ইমোইনু থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকসি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস) : লাক্লিবা ৱাকচিংগী ১২নি পানবা নুমীৎতা কৌৱু চীংদোলদ লৈবা ইমা ইমোইনুগী অশেংবা খুভমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইমোইনু খুরম্বগী থৌরম অসিদা অরোং নিংথৌ থৌগল লূপ, নেপ্রানসু মপুং ফানা শরুক য়াগনি হায়না নেপ্রা কম্পনি অরোং নিংথৌ শনারিক চঙনিংখোম্বী দাইটি গোদ দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি তোইজম বিজয় মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, উকলনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না মপুং ফানা শরুক য়াবগা লোয়ননা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌনিমিন্নরসি। চাউখৎপা, অমত্তা ওইবা অমসুং নুংশি-চান্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কৌৱু চীংদোলগী থৌরম অসিদা লৈবাক মীয়াম্নসু তঙাইফদনা শরুক য়াবীফম থোকই। অদুনা লাইবুং পুম্নমক্কী মীহুৎশিংনা শরুক য়াবীগদৌরিবা থৌরমসিদা অরোং নিংথৌ থৌগল লূপ, নেপ্রা কম্পনিসু মপুং ফানা শরুক য়াজগনি হায়রি।

অমরোমদা, নোংপোক নিংথৌ অপানবা-অপানবী থৌগল লূপ, ইঙৌরোক্কী সেক্রেটরি থোকচোম নাওবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লাক্লিবা জন্যুৱারী ৩, ৱাকচিংগী ১২নি পানবা নুমীৎতা উকলনা শীন্দুনা কৌৱু চীংদোলদা লৈবা ইমা ইবোইনুগী খুভমদা ইমা ইমোইনু ইরাৎপগী থৌনি থৌরম অসিদা নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী থৌগল লূপ, ইঙৌরোক্না মপুং ফানা শৌগৎপগা লোয়ননা শরুক য়ানবা শেম-শাদুনা লৈরে।

মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী অহানবা খুন্থোকফমনি হায়না লৌনরিবা কৌৱু চীংদোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইমা ইমোইনু থৌরম অসি মপুং ফানা পাঙথোক্তুনা খুন্নাই অসিনা ইশাগী হৌরকফম নৌহৌনা নীংশিংমিন্নবগা লোয়ননা তংদু-লৈতাবা, নুংশি-চান্নবা অমদি চাউখৎপা লমদম অমা ওইনবা হোৎনমিন্নবগী য়াম্না মতাং চারবা তাঞ্জা অমা লৌমিন্নগদবনি। কৌৱুদগী খুন্থোকমিন্নরকপা ঐখোয়না ঐখোয়গী হৌখ্রবা পুৱারীগী অফবা তাঙ্ককশিং খুদুং ইন্দুনা অনৌবা মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শাগৎমিন্নবা তঙাইফদে। মতমনা পুরকপা অওনবশিংবু মশক খঙদোক্তুনা ঐখোয়না ঐখোয়গী ওইবা মাঙফদ্রবা কয়াবু নৌহৌনা নীংশিংমিন্নবা হায়বগী পান্দমদা থৌগল লূপ অসিনসু মশীং য়াম্লবা মীয়ামগা লোয়ননা কৌৱু চীংদোলদা লৈরিবা ইমা ইমোইনু খুরুম্বগী থৌরমসিদা শরুক য়াগনি, মীয়াম্নসু শরুক য়াবীয়ু হায়রি।

# সোসল অমদি সর্ভিস সিক্যুরিটিদা লেবর দিপার্টমেন্টকী অচুম্বা খোঙথাং ওইনা থবক ফবা ওফিসলশিংগী এচিভমেন্টস প্রমোসনদা রিফ্লেক্ট তৌবীয়ু : অমটুক

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): সোসল অমদি সর্ভিস সিক্যুরিটিদা লেবর দিপার্টমেন্টকী অচুম্বা খোঙথাং ওইনা থবক ফবা ওফিসলশিংগী এচিভমেন্টস প্রমোসনদা রিফ্লেক্ট তৌবীয়ু হায়না ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন্স কাউন্সীল (অমটুক)গী প্রসিদেন্ট অহোংশাংবম প্রেমকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থেংলবসু থেংনা চহী ১০গী মতুংদা ইম্ফাল সিটিগী ফত্ত-হাওদি, অমোৎ-অকায় কয়াবু মেনেজমেন্ট তৌরকখিবা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্ট লমদেংদা মায়পুনরক্লিবা ইষ্টাব্লিসমেন্ট আই ঈ সী-টি এস এল ইন্দিজিনস ইনর্জি এল এল পিদা চহী ১০ হেন্না শিন্মী ওইরক্লবসু শিন্মীশিং অদুদা মখল অমত্তগী লেবর লোশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবীদ্রে হায়দুনা ৱাকৎখিবা অমটুককী হায়জ চেরোলবু লেবর দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নার পিটর সলামনা সিনিয়র ইন্সপেক্টর অহুম হুইদ্রোম বিরেন, লাইশ্রম প্রিয়োকুমার লোয়ননা সুবোল অহুম থাদুনা চখ্থিবা ইনক্বারিগী ফাইন্দিংদা অমটুক্কী ৱাফম চুপ্লে হায়দুনা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা এজেন্সী অসিনা শিন্মীশিংগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর পীরমদবা শিন্মীশিংদা ৱিকলি হোলিদে পীরমদবা, শিন্মীশিংগী রেজিষ্টর থম্লমদবা, ঈ পি এফ অমদি ঈ এস আই সী এনরোল্ড তৌরমদবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইদুনা আই ঈ সী- টি এস এল ইন্দিজিনস ইনর্জি এল এল পিগী ভাইস প্রসিদেন্টদা নুমীৎ ১৫নিগী মনুংদা হায়রিবা লেবর লোশিং অসিগী ইমপ্লিমেন্ট তৌখিবগী কমপ্লাইন্স রিপোর্ট পীরক্লবা খঙহনখিবনি।

হৌখিবা চহী অসিগী নবেম্বর ৯দা থাখিবা লেবর দিপার্টমেন্টকী লেট্টর অদুদা মরুওইনা পল্লিবদি হায়রিবা ইষ্টাব্লিসমেন্ট আই ঈ সী-টি এস এল ইন্দিজিনস ইনর্জি এল এল পিনা মিনিমম ৱেজেজ এক্ট ১৯৪৮, ইমপ্লোয়ীজ প্রোভিদেন্স ফন্দ এন্দ এম পি এক্ট ১৯৫২, ইমপ্লোয়ীজ ষ্টেট ইন্স্যুরেন্স এক্ট ১৯৪৮ অমদি পেমেন্ট ওফ গ্রেচ্যুইটি এক্ট ১৯৭২নচিংবগী সেক্সনশিং ভাইওলেট তৌরে হায়বসিনি।

ঙসি লেবর দিপার্টমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা শিন্মীশিংনা মতম কুইনগী মমাঙদগী ফোঙবা ঙমদনা লৈরকখিবা পাউখোং অমদি লেবর দিপার্টমেন্টনা ফোঙবীরবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অসুম্না চুম্না তৌরকপা ওফিসলশিং অসিগী এচিভমেন্টশিং অসিবু শিন্মী সেক্সন খূদিংমক্না থাগৎপীফম থোকই। হঙ্গৎনা য়েংলবদা লেবর দিপার্টমেন্টকী মতমদুগী দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নার কে বোনোনা কন্ট্রেক্ট ইমপ্লোয়ী ৫৩ অমুক নৌহৌননা থবক হঞ্জিন্নবগী খুৎয়েক এম এস পি দি সী এল অমদি অমটুক্না পীনহন্দুনা থবক হঞ্জিনবীহনখিবা লৈখি। অসিদসু নত্তনা হৌখিবা চহী ২০২১গী দিসেম্বর ২৪দা দিপার্টমেন্ট অসিগী লাইসেন্সিং ওফিসর মোইরাংথেম ভৈগ্যচন্দ্রনা মতমদুগী দেপ্যুটি লেবর কম্মিস্নারগী এদভাইস মখাদা আউটসোর্স ৱার্কর ২১ মশা-মশাগী থবক্তা অমুক হঞ্জিনহনখিবা লৈখ্রে। অসিগুম্বা মমল লৈখ্রবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসলশিংগী এচিভমেন্টশিং অসি মখোয় মখোয়গী লাইন ওফ প্রমোসনদা রিফ্লেক্ট তৌবীদুনা লৈঙাক অসিনা পূক্লিং চিংশিনবীয়ু। দিপার্টমেন্ট হায়বসিদি লৈঙাক অমদি মীয়ামবু পুদুনা থৌরিবা গাড়ী অমগুম্বনি। ফনা ফবা অহনবা গাড়ী ওইরবসু থৌবীরিবা দ্রাইভর অদুনা নীংথিনা থৌবীদ্রবদি, অমনবা গাড়ী ওইরবসু থৌবা হৈরবা দ্রাইভরনা থৌহল্লবদি মঙম শান্না য়াঙনা থৌবা ঙমখিবা মশানা তাবনি। লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌবা হায়বসিদি তৌথোরকপা থবক্লা উৎলিবনি। চৌক্রিদা ফমদুনা লৈরগা ৱাজাও শুবনদি ফনা চাউবা ফম্লাইবা ওইরবসু অখঙবা মীনদি তুমীন্না নোক্লরম্বা মশানা তাবনি। অমটুক্না মতম পুম্বদা থবক্তবু মাঙদনা থমদুনা চৎকনি। লোয়ননা লৈঙাক্না লাউথোকপীখ্রবা মিনিমম ৱেজ বোর্দকী মীফম কৌবীনবসু আপীল তৌরি হায়রি।